**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07-11-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু জাতিগী ঈশৈ বন্দে মাতরমনা চহি ১৫০ শুরকপগী নীংশিং থৌরম ঙসি পাঙথোক্লি।

২) রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- লৈবাক অসিনা ইং কুমজা ২০৪৭ তা ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবগী মঙলান মঙফাওনহন্নবা ঐখোয় পুন্না ৱাশক লৌমিন্নরশি।

৩) হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- মীয়ামগী লৈঙাক খক্তনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌবা ঙমগনি।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- বন্দে মাতরম অসি চুমগী ঈশৈ অমখক নত্তে, মসিদি শক্তি, মঙলান অমসুং ৱারেপ লৌবা ঙমবগী মন্ত্র অমনি।

অমসুং

৫) হাউজিং অমসুং অরবান এফ্যারস মন্ত্রি মনোহরলালনা হায়রি- মেট্রো কন্নেক্তিভিতিগী লমদা ভারত অসি মালেমগী অহুমসুবা মফম কনবা ঙমলে।

------

রাজ্যপাল (এল)ঃ মনিপুরদসু জাতিগী ঈশৈ বন্দে মাতরমনা চহি ১৫০ শুরকপগী নীংশিং থৌরম রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী পেলেস ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভল্লানা হায়- মরৈবাক নীংবা অমসুং অইবা বাঙ্কিমচন্দ্র চেত্তরজিনা ইং কুমজা ১৮৭৫ দা ইরম্বা জাতিগী ঈশৈ অসি ইচম চম্বা ঈশৈ নত্তে, লৈবাক নীংবগী ঈহুল নিংথিনা পীবা ঙম্বা ঈশৈনি। ঈশৈ অসিনা লৈবাক অসিগী নীংতম ইহৌদা অচৌবা থৌনা অমা পীবা ঙমখি। লৈবাক্কী মীয়ামদা লৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন পোকহন্দুনা মীয়াম্বু মীকপ থোকহনখি। লৈবাক অসিনা ইং কুমজা ১৯৫০ দা সরকারনা ঈশৈ অসিবু জাতিগী ঈশৈ ওইনা শক খঙখি।

রাজ্যপালনা হায়- ঈশৈ অসিগী চহি ১৫০ শুরক্লবা মতম অসি ফাওবা লৈবাক্কী মীয়ামা ধৰ্ম্ম অমদি লোলগী খেনবা লৈতনা অমত্তা ওইনা পুনশিনহনবা ঙমলি। মীয়ামগী পুকিংদা অপুনবগী শক্তম ঙাকপা, শান্তি অমদি চাওখৎ লম্বীদা পুরকবগীদমক ঈশৈ অসিনা পীরিবা ৱাখল্লোন ইকায় খুমফম থোকই। মসিনা লৈবাক অসিবু চাওখৎপা অমদি নুংঙাই য়াইফবা পুরকপা ঙমগনি। মহাকা হায়- মণিপুরীশিংগী মরৈবাক নীংবা অমসুং কৎথোকপা ৱাখল্লোন কয়াদা বন্দে মাতরমগী মমি চাউনা তারি। লৈবাক অসিগী নাগরিক খুদিংমক্তা বন্দে মাতরমবু ইচম চম্বা ঈশৈ ওইনা লৌবগী মহুৎতা লৈবাক্কীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা ইং কুমজা ২০৪৭ তা লৈবাক অসিনা ভিক্সিত ভারতকী মঙলান অমা মঙলিবা অসি মঙফাওনহন্নবা ৱাশক লৌমিন্নরশি হায়না রাজ্যপালনা আপীল তৌরি।

বন্দে মাতরমগী চহি ১৫০ শুরকপগী কুমওন থৌরম বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসনসু শিনদুনা ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা রাজ্য সভাগী এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়- বন্দে মাতরমনা চহি ১৫০ শুরকপগী চহি অমা চুপা পাঙথোক্কদবা থৌরমদা শরুক য়াবা ফংবদা থম্মোয়দা নুংঙাইবা পোকই।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়- বঙ্কিম চন্দ্র চেত্তরজিনা ইরম্বা বন্দে মাতরমবু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা লৈবাক অসিগী মীয়ামা চহি অমা চুপা থৌরম পাঙথোক্কনি। ঈশৈ অসিনা লৈবাক অসিগী নীংতম ইহৌদা অচৌবা ইনোৎ পীখি। ঈশৈ অসি চুমগী লৈবাক নীংবা ঈশৈ ওইবখক নত্তনা অপুনবগী শক্তম শাগৎপা, কৎথোকপা,

চাউথোকচনফম ওইবা অমদি অপুনবা ভারতকী খোঞ্জেল অমা ওইরি।

থৌরম অদুদা বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট- এ.সরদা দেবী, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ অমদি দলগী করিয়াকরতাশিং শরুক য়াখি।

থৌরম অসি জিলা জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরশিংদা পাঙথোকখি। জিরিবাম জিলাদা পাঙথোকপা থৌরমদা কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্টকী রাজ্য মন্ত্রি সাবিত্রি ঠাকুর শরুক য়াখি। জিলা অদুগী লালপানি হাস্কুলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়- মহৈ মশিং তম্বদা অককবা চহি লৈতে। তম্বা হায়বসিদি লোইবা নাইদে। মরুওইনা খুনাই অমা চাওখৎপদা নুপীশিং মহৈ মশিং হৈবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে। শ্রীমতি সাবিত্রি ঠাকুর নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙরাং জিরিবাম জিলাদা থুংলখিবনি।

বন্দে মাতরমগী চহি ১৫০ শুবা থৌরম ঙসি ককচিং, বিষ্ণুপুর, নোনে, চান্দেল, উখ্রুল, কাংপোকপী, চুরাচান্দপুর অমসুং তমেংলোং জিলাদসু পাঙথোকখি।

নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজি (এন.আই.টি) মণিপুরনসু জাতিগী ঈশৈ ওইরিবা বন্দে মাতরমগী চহি ১৫০ শুরকপা থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা এন.আই.টি মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার- প্রোফেসার কে.ঐচ. তোম্বা, দাইরেক্তর ইনচার্জ প্রোফেসার কে.ঐচ. মংলেম য়াওনা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

বিরেন (এল)ঃ বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- মণিপুরগী ইরাংনা মরম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা ইন্তরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন্স (আই.দি.পি)শিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমকা খঙই। মসিদা লৈকাই লৈকাইগী ক্লবশিং, মৈরা পায়বীশিং অমদি লুপ কয়ানা মখোয়বু তেংবাংদুনা লাক্লি।

ইম্ফালগী থম্বাল শঙলেনদা ঙসি হৌদোকখিবা বন্দে মাতরমগী চহি ১৫০ শুরকপগী থৌরম য়াওবা লাকপদা পাউমীশিংদা শ্রী বিরেন্না হায়- সেরৌ, শুগনু

অমসুং তোরবুংদা য়ুম ২৫০ শাবা লোইশিনখ্রে। মমাংগী সরকারনা আই.দি.পিশিংদা লুপা লিশিং অমমম য়েন্থোকখি। পক্কাগী য়ুম অকায় অতোই থোকখিবশিং শানবা লুপা লাখ ১০, সেমি পক্কাগীনা লুপা লাখ ৫ অমসুং কচ্চা য়ুমশিংগী ওইনা লুপা লাখ ৫ পীখ্রে। আই.দি.পিশিংনা থেংনরিবা হকশেলগী খুদোংচাদবা কয়া অসি য়েংলগা রাজ্য হকশেল দিরেক্তোরেটতা আই.দি.পিশিং হকশেলগী ফিভম য়েংশিন্নবা হায়জখিবা লৈরে। মহাকা হায়- মীয়ামা খনবা লৈঙাক্কা রাষ্ট্রপতি সাসনগা খেন্নবা কয়া লৈ। মীয়ামা খুদোংচাদবা থোরকপা মতমদা মীয়ামগী লৈঙাক লৈরগদি খুদক খুদক্তা য়েংশিনবা ঙম্মী। অদুমওইনমক, রাষ্ট্রপতি সাসনদদি সরকারগী ফমাইবশিংনা য়েংশিনবা ওইবা মরমনা থবক তপথবা থেংনৈ। রাষ্ট্রপতি সাসন্নসু মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং কয়া হোৎনবদি অদুমক উরি।

মণিপুরদা সরকার অমা শেম্নবগী ওইথোকপা লৈব্রা হায়বা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা শ্রী বিরেন্না হায়- হন্দক্তা নিউ দিল্লিদা এম.এল.এ ২৫ চত্তুনা লুচিংবা কয়াগা উন্নখি। বি.জে.পিগী নোর্থ ইষ্ট ইনচার্জ সম্বিৎ পত্র এম.এল.এশিংনা লৈরিবা মফমদা মশা লাক্তুনা উন্নখি। মদুদা এম.এল.এশিংনা অনৌবা সরকার অমা অথুবদা শেমহন্দুনা আই.দি.পিশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া কোকহন্নবা ৱাফম পুখৎখি। মণিপুরদা মীয়ামগী লৈঙাক অমা লৈত্রবদি আই.দি.পিশিংগী সমস্যাশিং কোকহনবা ঙমলোই হায়না এম.এল.এশিংনা শ্রী সম্মিৎ পত্রদা হায়রমখি।

ৱিমেন (এল)ঃ  মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না শিন্দুনা ৱিন্দোজ টু রিদ্রেসেল ওফ ওফেন্সেস এগনষ্ট ৱিমেন হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি কাংপোকপী জিলাগী ৱাইথৌ চিরু ভিলেজদা লৈবা য়ুথ কম্মুনিতি হোলদা ৱিমেন এন্দ চাইল্ড ৱিং, ত্রাইবেল য়ুথ কাউন্সিল মণিপুরগা খুৎশমদুনা পাঙথোকপনি। মীওই ১০০ রোমা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা নুপী অমসুং নুপীমচাশিংদা চথবা হিংশাগী থৌদোকশিং করমা থেংনগনি অমদি কনাদা

ৰাকৎকনি হায়বগী মতাংদা অখণ্ড অহৈশিংনা ৰা ঙাংখি। থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন থুমলিপ তিনিংফম মোনসাং অমদি কম্মসন অসিগী মেম্বরশিং লৌরেম্বম দয়াবতি দেবী, চুৰোংসিন কোইরেং অমদি এস.কে. সোফিয়া মোয়োন অমসুং দব্লিউ. ফজাতোম্বী দেবী শরুক য়াখি।

ক্লাইমেত (এল)ঃ ঈশিং, নুংশিৎ অমদি অকোইবগী ফিভম হোংলকপা হায়বা ৱাখল্লোনদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা য়ুথ হোষ্টেলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। সেন্তর ফোর রিছার্স এন্দ এদভোকেসি মণিপুর অমদি য়ুনাইতেদ ভোলুন্তরি য়ুথ কাউন্সিল অনিনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ দিরেক্তোরেটকী দিরেক্তর- ডাঃ টি. ব্রজকুমারনা ঈশিং, নুংশিৎ অমদি অকোইবগী ফিভম হোংলকপনা পীরিবা চৈথেং হায়বা হিরমদা চে পাথোকখি।

ফিলম (এল)ঃ ৫৬ শুবা ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়া ২০২৫ দা শরুক য়ানবা মণিপুরী ফিলম অনি খল্লক্লে। ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়না ফিলম ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়ানবা ফিচর ফিলম ২৫ অমদি নোন ফিচর ফিলম ২০ খনগৎপদা বরুন থোকচোমগী দোক্কুমেন্টরি ফিলম- বেট্টল ফিল্ড, নোন ফিচর সেক্সনদা অমসুং দিনেশ নাওরেমগী- ওইথরৈনা ফিচর সেক্সনদা য়াওরকখিবনি।

পৱার (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্টকী য়ুরেম্বমদা লৈবা পৱার গ্রিদকী থার্তি থ্রি কে.ভি. সিষ্টেমগী স্বিটচ গিয়ার শেমজিন শাজিনগদবা মরমনা থা অসিগী ১০ দগী ১৪ ফাওবা সট দাউন তৌগনি। মরম অদুনা থার্তি থ্রি বাই এলেভেন কে.ভি. শঙাইপ্রৌ সবষ্টেসন্না কোনবা তেরা, ক্বাকৈথেল, মালোম, থার্তি থ্রি বাই এলেভেন কে.ভি. মোংশাংগৈ সবষ্টেসন্না কোনবা মোংশাংগৈ, কৈশামথোং, থার্তি থ্রি বাই এলেভেন কে.ভি. ককৱা সবষ্টেসন্না কোনবা শিংজমৈ, ককৱা অমদি থার্তি থ্রি বাই এলেভেন কে.ভি- জি.আই.এস সবষ্টেসন্না কোনবা

কাঞ্চিপুর অমদি ক্যামগৈনচিংবা মফমশিংদা হায়রিবা মতম অসিদা মৈ চাং নাইনা পীবা ঙমলোই হায়না মণিপুর ষ্টেট পৱার কম্পনি লিমিতেদকী চেরোল অমনা হায়রি।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- বন্দে মাতরম অসি চুমগী ঈশৈ অমখক নত্তে, মসিদি শক্তি, মঙলান অমসুং ৱারেপ লৌবা ঙমবগী মন্ত্র অমনি।

নিউ দিল্লিগী ইন্দিরা গান্ধি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা বন্দে মাতরমগী চহি ১৫০ শুরকপগী চহি অমা চুপনা চত্থগদবা থৌরম হৌদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ঈশৈ অসিনা মরৈবাক নুংশিবগী ঈথিল পীবা ঙম্মী। হৌখিবা ইতিহাসপু ঈশৈ অসিনা নিংশিংহনবগা লোয়ননা হৌজিক্কি মীরোল অমদি তুংগী মীরোলবু শমহনবগী পান্মে ওইরি। মসিনা মঙলান কয়া মঙফাওনহন্নবগী অচৌবা লম্বী অমসু পীরি।

থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা নীংশিং স্তাম্প অমসুং শেলয়েক অমসু পুথোকখি।

মেত্রো ঃ হাউজিং অমসুং অরবান এফ্যারস মন্ত্রি মনোহরলালনা হায়রি- মেত্রো কন্নেক্তিভিতিগী লমদা ভারত অসি মালেমগী অহুমসুবা মফম কনবা ঙমলে।

গুরুগ্রামদা ঙসি পাঙথোকখিবা ১৮ শুবা অরবান মুবিলিতি ইন্দিয়া কনফরেন্স এন্দ এক্সপো ২০২৫ গী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- ভারতকী মেত্রো অসি হৌজিক্তি পুন্না কিলোমিতর লিশিং ১,১০০ কোনশিনবা ঙমলে। মহাকা হায়- হৌজিক মেত্রোগীদমক লৈনুং হুৎপগী থবক কয়া চত্থরি। মসি লোইশিল্লবদি ভারতনা মেত্রো নেটৱার্কতা আমেরিকাগী হেক মথংদা অনিসুবা মফম কনবা লৈবাক ওইরগনি।

বিহার ঃ বিহার বিধান সভা মীখলগী অনিসুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী

লুচিংবশিংনা মাগী মাগী মীরেপকীদমক ঙমজবী থাদুনা মীয়ামগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনরি। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ঔরঙ্গবাদ অমসুং কাইমুর জিলাদা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা মীখলগী মীতিনশিংদা ৱা ঙাংখি।

মরক অসিদা, বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা জমুইদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা শরুক য়াখি। মহাকা এন.দি.এ মীরেপকীদমক পুরনিয়াদা পাঙথোক্কদবা রোড সো অমদসু শরুক য়াখি। কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমসুং আর.পি.আই লুচিংবা রামদাস অথৱালেনা এন.দি.এগী মীরেপ্পু শৌগৎতুনা ঙসি জমুই অমসুং গায়াদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা ভগলপুর অমসুং বানকা জিলাদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফমদা ৱা ঙাংখি। অদুগা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ্ন খরগেনা গায়া অমসুং রোহতাসতা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাড--

পোলো ঃ  ৩৮ শুবা এন. হজারি এন্দ ডাঃ এন. তোম্বী ষ্টেট পোলো তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ফাইনেল মেটচ হয়েং ইম্ফালগী পোলো গ্রাউন্দদা শান্নরগনি। মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন্না শিনবা তুরনামেন্ট অসিগী লোইশিনবগী থৌরমসু হয়েং পাঙথোক্লগনি।

হোক্কি ঃ     ইন্দিয়ান হোক্কিনা চহি ১০০ শুবগী কুমওন মণিপুরদসু ঙসি মণিপুর হোক্কিনা শিন্দুনা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সাউথ ইষ্ট য়ুথ ওর্গনাইজেসনগী টর্ফ গ্রাউন্দ, বিষ্ণুপুর জিলাগী এস.এল.ও গ্রাউন্দ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পি.দব্লিউ.সি গ্রাউন্দদা নুপা অমসুং নুপীগী মেটচ অমমম শান্নখি।

ভোল্লিবোল ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতি স্পোর্টস কমিতিগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল কলেজনা শিন্দুনা কলেজ অসিদা চথ্নরকখিবা ওইনাম ইবেতোন দেবী মেমোরিয়েল মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ইন্তর কলেজ ভোল্লিবোল তুরনামেন্ট ঙসি লোইশিনখ্রে। টিম ১১ না শরুক য়াদুনা চথ্নরকখিবা তুরনামেন্ট অদুগী নুপাগী কাংলুপতা থম্বাল মরিক কলেজ ওইনাম, নুপীগী কাংলুপ্তা য়ুনাইতেদ কলেজ চান্দেলনা ৱিন্নর ওইখি।

ফুটবোলঃ পোল ষ্টার কলেজ-ৱাবগাইনা শিনদুনা চথ্নরিবা অয়েকপম প্রতাব সিংহ মেমোরিএল মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টর কলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- ময়াই লম্বী কলেজনা সরস্বাতি ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্টপু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচশিংদা থৌবাল কলেজনা ষ্টেন্দর্দ কলেজ কোংববু পাঞ্জল ১-০ দা, মোইরাং কলেজনা য়ুনাকো কলেজবু পাঞ্জল ৪-১ থোইখি।

ক্রিকেট ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না ভারতকী নুপীগী ক্রিকেট টিমগী টিম মেনেজর লৈশাংথেম রোনেল সিংহ তরামা ওকখ্রে। আই.সি.সি ৱিমেন্স ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ লৌরকখ্রবা ভারতকী নুপী ক্রিকেট টিমগী টিম মেনেজর রোনেল, মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরিগী থৌসু পুরি।

ফুটবোলঃ তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাতরদা পাঙথোকপা অমুর ফালকোন মেন এন্দ ৱিমেন ফুটবোল তুরনামেন্ট ঙসি লোইশিনখ্রে। তুরনামেন্ট অসিদা নুপাগী টিম ১৯ অমসুং নুপীগী টিম মরিনা শরুক য়াখি।

------